## মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস): শৈশক শৈতম শঙলেনগী ১৫ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি বি টি রোদতা লৈবা রূপমহল ঠিএটরগী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এফ এ এমগী প্রসিদেন্ট সাপম মোমোননা চীফ গেষ্ট, শৈশক শৈতম শঙলেনগী প্রসিদেন্ট থোঙাম গোসে মীতৈনা প্রসিদেন্ট ওইখি। ফামগী এদভাইজর সুমিত্রা অমসুং সিকোগী এদভাইজর অখাম লাঙ্গোলনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

থোঙাম গোসেনা ফোঙদোকখিবদা, শৈশক শৈতম শঙলেন অসিদা ঈশৈ তন্লিবশিং অসি শেল লৌদে। ফ্রিদা তন্বা ঙাক্তনি। মহৈরোয় ৬৭ না ঈশৈ তন্লিবা মফমনি। মীতৈগী ঈশৈ পামজবদগী তন্বনি। নোংমাইজিং খুদিংদা তন্লি। লৌরেন্বম বেদপতি য়াওনা মতেং পাংদুনা তন্বীরি। নহাশিংনা পান্বা মওংদা ম্যুজিক শৈশকসি খরা অমুক থুজিনবা অমদি পান্নবা মওংদা পুথোকপা তন্বীবনি হায়খি। থৌরম অদুদা খুনুং ঈশৈ অমদি ফোককী ওইবা ঈশৈ কয়া খুদোল তমখি।

## পুলিসকী থৌওং কন্দেম তৌই : অমকিল

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস): চুঙমলিয়ু রিয়াংমৈ মীশিগী মতাংদা লংলা-লংজিল পুথোকউ হায়না মীয়াম্না রেল্লি চৎলিঙৈদা টিয়ার গ্যাস অমদি মোব বোম কাপ্তুনা মীওই ১৩ অশোক-অপন নংহনখিবা পুলিসশিংগী থৌওং কন্দেম তৌই হায়না অপূনবা মণিপুর কনবা ইমা লূপ (অমকিল) গী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি অঙোম সুস্মানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কাংখল চৈখোক্তা থৌরী য়ান্দুনা শিবা ওইথোকপা য়াবা মরম চাব্রা, শিরিবা নুপীদুনা কাংখল চৈখোক্কী অৰাংবা ফিট ১ রোম খেন্নরগা করম্না থৌরী য়ানগদৌরিবনো। মখুৎ তেকপা, ঈ থোকপা পুন্নমক পোষ্ট মোর্টেম রিপোর্টতা লৈরল্লগনি। মসি খৌপুমগী চীংমী ইমাশিংগী পাউদমনি। জে এ সীনা তাল্লিবা দিমান্দদি চুঙমলিউ রিয়াংমৈগী মীশিদা চেন্নবশিং লোগী মতুংইন্না মতিক চাবা চৈরাক পীয়ু। চার্জশীট থাগৎপীয়ু। এফ আই আরদা আই পি সীগী সেক্সন ৩০২ পানবীয়ু হায়বা দিমান্দশিং অসিনি। চীফ মিনিষ্টর উনবা চৎপা রেল্লি খোঙচৎনি। নুপী-অঙাং অমসুং অহলশিংনা অয়াম্বা শরুক য়াবনি। মদুদা টিয়ার গ্যাসনচিংবা কাপশিন্দুনা নুপী-অঙাংদা চথুখিবা থৌওং কন্দেম তৌই। অচুম্বা লংলা-লংজিল পুথোক্লবা দিমান্দশিং অসিদা সপোর্ট তৌরি। হন্দক থংন-থংননা রেখা মীশি, বেবিসনানচিংবা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা নুপীদা মীশি-মীনা কয়া থোরক্লি। নুপী-অঙাংবু হাৎপগী থৌওং চথুরিবা অসি খুন্নাই অসিগী ঈচেলসিবু মরৈবাক নুংশিবগী ইহুল য়াওরমখিগদ্রা। লৌগদবা থৌদাংদি লৌদনা নাথৈরগা চৎখিগদৌরব্রা, মমা ঐখোয়না তুমীন্না লৈখিগদ্রা, মীকপ থোকপা মতম থেংমল্লে, চীংমী-তম্মী পুম্নমক মীকপ থোক্লসি। মালেমদা নুপীগী থৌনা লিংজেল শক্তাকখিবা ইরৈপাক ইরমদম নৎতবরা হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## সোসল সর্ভিস

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস): চাক্লাম খোঙচৎ পালন থৌরম হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা ওল মণিপুর ম্যুজিক এসোসিএসন (এ এম এম এ) গী মেম্বরশিংনা শিন্দুনা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী পিসুম চিঙা মচাদা লৈবা মহৈরোয় অথৌবশিংগী খুডমদা 'ঐখোয় লূনা নান্না লৈসি, ঐখোয়গী অকোয়বা নালহনসি' হায়বা থিমদা নোংমগী ওইবা লমতু শেংবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লমদমসিগী ইশৈ নোংমাই তৌজরিবশিংসু লমদম অসিগী থবক থৌরমশিংদা শরুক য়াফম থোকই হায়বগী ৱাখল্লোনদা লম-তু শেংবগী থবক অসি পাঙথোকচবনি। মসিগী মখা তারকপা ওইনা লমদমসিগী অতৈ মীয়াম তিনবা মফম কয়াদসু লম-তু শেংবগী থবক অসি পাঙথোকখিগনি। মসিদা মীয়াম্নসু শরুক য়াবিয়ু।

অমরোমদা, লমদমসিগী শক্লাইরবা ইশৈগী ওজাশিংগী পুন্সি ৱারীদা য়ূম্ফম ওইদুনা ইপিসোদ নাইনা পুথোক্কদবা দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম অমা এ এম এম এনা পুথোকচদুনা সেপ্টেম্বর ১দা লৈময়োন আর্ট সেন্টর, চীংঙামখাগী হোলদা রিলিজ তৌজগদৌরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ৫৪ রকশুবা চাক্লাম খোঙচৎ নুমীৎ থৌরম হয়েং পাঙথোক্কনি : এমসু

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) না হয়েং ৫৪ রকশুবা চাক্লাম খোঙচৎ নুমীৎ থৌরম মহৈরোয় অমসুং মীয়ামগা লোয়ননা লাইওইখ্রবা লময়ানবা ওইনাম নবকুমার, নোংমৈকাপ্পম প্রমোদিনি, লাইশ্রম চাওবল অমদি এ আই আরগী দ্রাইভর ৱাইখোম নিলমনিগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা ওইনা মহৈরোয়শিংগী নীংশিং খুডম পিশুম চিংঙামচাদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্লবা মতুং মীয়ামগী খোঙচৎ অমা চৎলগা দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী গ্রাউন্দ অমসুং জি রিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল, জি রিবামদা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্কনি হায়না ৫৪ রকশুবা চাক্লাম খোঙচৎ ওবজার্ভেসন কম্মিটি এমসুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মালেমদা হিংলিবা ফুরুপ খুদিংমক মীখা থাদনা, মীপাল তাঙদনা মরোমদোম লেপচনা হিংবা পাম্মী। মদুগীদমক শিংনবা কয়া মায়োক্লবা তাই। মণিপুরদসু শিংনবা কয়া মায়োক্লরি। মণিপুরগী অপূনবগী মশক, লমখৈ থুগায়নবা হোৎনরকপা থৌশিল থৌওংশিং, রাইট ফংহন্দবগী থৌদোকশিং, মীওই কয়া হাৎতোকপীবা অসিনচিংবা ঙসি লিশাং-শিৎনা মায়োক্লরিবা শিংনবশিংনি। শেন্মীৎলোনদা, পুকচাক লম্বীদা মীতোপশিংনা পায়শিনখিবদগী লমদমসিগী মীয়াম চাউখৎ ৱাখল খন্থবদি লায়রদনা ঙসি করি চানি, হয়েং করি চানি হায়বা ৱাখল মীৎয়েংদগী হেন্দোকহন্দবা থৌওং কয়া অমসুনি। কুমজা ১৯৩৯ অমসুং ১৯৬৫ কী থৌদোকশিং থৌওং অসিগী মচৎ অমনি। মণিপুর লৌউ-শিংউবনা মপুং ওইনা শিনফম ওইবা লমনি। লৌউ-শিংউবগী পোত্থোক্লা লমদম অসিগী চাবা কোন্নরবা মতুংদা অহেনবা পোৎথোকশিং য়োন্থোক্তুনা শেল-থুমগী চাউখৎ লীক্লমদা চেনখৎপদা শরুক য়াবা ঙল্লিবনি। মহৈরোয়শিংগী লাইরিক-লাইশু তম্বদা লৌউ-শিংউবগী পোত্থোক মরাং কায়বগী ৱাফম য়াওরিবনি।

পুম্নমক অসিগী তায়ওন্নবদা লমদমসিদা খুৎশেমগী চাক তাঙবা থৌদোক থেংখাং অনীরক্তা কুমজা ১৯৩৯ অমসুং ১৯৬৫ তা মীরমদগী লাকপা শেঙাও পায়বা মীতোপশিংনা মতমদুগী লৈঙাক থৌপুবশিংগা ফুরিৎখাও চোন্নবা লৌতুনরগা মীরমদা শেন্দোং চাউনা ফংদুনা য়েন্থোকখিবদগী মীয়ামগী ঈহৌশিং হৌখি। ঙসি ঙসিমক ইরমদম অসিদা খুৎশেমগী চেঙ তাঙবগী ৱাথোক মায়োক্লরি। চেঙ কেজিদা লুপা ৫০ য়ৌশিল্লকপদগী অরুবা ফীভম মায়োক্লরি। কুমজা ১৯৬৫ কী থৌদোক্তা মহৈরোয় অহুম য়াওনা মীওই মরি নোংমৈনা কাপ্পদগী থৱায়না পোন্থা পীখি।

হৌজিক বি জে পি লৈঙাক অসিগী মখাদা ইন্দিয়াগী ফেদরেল ষ্ট্রকচরগী ময়েকসু মমি শামজিল্লক্লি। ইন্দিয়া শেন্বা মতমদা নম্ফুদা লৌশিনখিবা লৈবাকশিংদা কনফ্লিক্ট অদুম্মক লৈরিবনি। জম্মু এন্দ কাশ্মিরবু হন্দক য়ুনিয়ন টেরিটোরি অনী থোক্লা খায়দোক্কুনা আর্টিকল ৩৭০ অমদি ৩৫ (এ) লৌথোকখিবা অমসুং য়ানিংদবা মীয়ামগী ঈহৌবু নমথনবা হোৎনবদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লৌখিবা শক্তম অদু হায়রবদি মালেমগী মীয়াম মমাঙদা খ্বাইদগী চাউবা দিমোক্রেসিনি হায়না শক্তাক্লিবা ইন্দিয়াগী ওইনা ঈকায়নিংঙাইনি। কাশ্মিরগী থৌদোক অদু হঙ্গৎনা য়েংলুবদা অৰাং নোংপোক লমদমগী লাক্কদৌরিবা পোলিটিকেলগী মায়ওন অসি য়াম্না লুই। ফ্রেমৱার্ক ওফ এগ্রিমেন্টকী ৱারোইশিন অসিসু চেকশিন্নিংঙাই ওইরে।

কুমজা ১৯৬৫ কী ওগষ্ট ২৭ তা মতমদুগী লৈঙাক থৌপুবশিংগা মীতোপ শেঞ্জাও পায়বশিংগা মান্নরগা মীরমদা লমদমসিগী চেঙ শেন্দোং চাউনা থাদোকখিবদগী খুৎশেমগী চেঙ তাঙবা থোকখিবগী মায়োক্তা মহৈরোয় অমদি মীয়াম্না হৌখিবা ঈহৌ নীংশিংবা য়াই। মতমদুদা মহৈরোয় অমদি মীয়াম্না হৌখিবা ঈহৌ অদু চেঙ তাঙবা খক্কী ৱাফম নত্তে। মীওইবগী হিংবগী রাইট ফংনবা অমদি লৈঙাক্কী মায়োক্তা হৌখিবা ঈহৌনি। পান্দম অসিগীদমক থৱায় থাবা ফাওবা হালেংলোইদবনি হায়বা মতমদুগী ইয়াম্বা, ইচেশিংদুনা পীরম্বা থৌনা লিংজেল অদু মাঙদা থম্লগা এমসুনা ওগষ্ট ২৭ পু চাক্লাম খোঙচৎ হায়না থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

হয়েং এমসুনা ৫৪ রকশুবা চাক্লাম খোঙচৎ নুমীৎ থৌরম মহৈরোয় অমসুং মীয়ামগা লোয়ননা লাইওইখ্রবা নবকুমার, প্রমোদিনি, চাওবল অমদি এ আই আরগী দ্রাইভর নিলমনিগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা ওইনা মহৈরোয়শিংগী নীংশিং খুভম পিশুম চিংঙামচাদা হৈকৎ লৈকৎ তম্লবা মতুং খোঙচৎ অমা চৎলবা মতুংদা দি এম কোলেজ আর্টসকী গ্রাউন্দ অমদি জিরিবামদা মীয়ামগী মীফম পাঙথোক্লগনি। থৌরম অসিদা লমদম অসিগী অহল-লমন, ইমা-ইবেল, মহৈরোয়, ক্লব ওর্গনাইজেসন, মৈরা পায়বী, লন্নাই লূপ অমদি মীয়াম পুম্বনা শরুক য়াবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## খুন্নাই শেমগৎপা, নহাশিংবু অফবা লম্বীদা লমজিংবদা ক্লবকী থৌদাং চাউই : শ্যাম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস): খুন্নাই শেমগৎপা অমদি নহাশিংবু অফবা লম্বীদা লমজিংবদা ক্লবকী থৌদাং য়াম্না চাউই হায়না সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যামনা ঙসি লংথবাল কুঞ্জ অৰাং লৈকায়দা লৈবা য়ুনিভর্সেল ক্লব শঙ্গাবগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যামনা হায়খি, খুন্নাইগী য়াইফনবা থবক থৌরাং কয়া তৌবদা ক্লবশিংনা থৌদাং কয়া লৌরিবনি। ক্লবকী সেক্রেটরি অমদি প্রসিদেন্টনচিংবা ওইরিবশিং অসি মীয়ামগী অফবা থবক তৌগে হায়না থোরকপা ঙাক্তনি। পুকচেল শেংনা মীয়ামগী থবক তৌবা তাই। ক্লবকী থৌ পুদুনা য়াইফ-থৌরাংগী থবক কয়া লৌখৎলক্লবদি মীয়াম্নসু থাজবা থমগদৌরিবনি। অফবা খুন্নাই অমা পুরক্লবা হোৎনবদা মরুওইবা শরুক ওইগদৌরিবনি। নহাশিংবু অফবা লম্বীদা লমজিংবদসু ক্লবকী থৌদাং য়াম্না চাউই। লাইশু খঙবা মীওই কয়া পুথোক্কে হায়রবদি অফবা মী ওইবা তাই। গ্রাসরুট লেভেলদগী নহা কয়াবু লমজিং-লমতাকপগী থবক অসি ক্লবনা তৌরক্কদৌরিবনি। হৌগৎলক্লিবা নহাশিংদা অফবা ৱাখল্লোন কয়া পীবা তঙাইফদে। ৱাখল্লোনশিং অমগা অমগা স্যের তৌনদুনা অফবা পুথোকমিন্নরবদি খুন্নাইগী ওইনা কান্নগনি। ক্লবকী থবক তৌরিবশিংনা য়াম্না আইদিয়ল ওইবা ৱাখল্লোন লৈবা চঙই। মীয়ামগী থাজবা লৈরবদি থবক খুদিংমক মায় পাক্লা চঙশিনবা ঙমগনি। মরম চাবা থবক থৌরমশিং তৌরকপা মতমদা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি।

খুন্নাইগীদমক ঐখোয়না হিংলিঙৈ মতমদা করি কন্ট্রিব্যুসন পীগনি হায়বসি খনবা চঙই। ক্লবকী থৌদাং পুরিবশিংনসু মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎপা মতমদা প্লান্নিং অমা তৌবা তাই। মপোক কুমওননচিংবা পাঙথোকপা মতমদা অঙাংশিংগী এসে কম্পিটিসন, করিক্যুলর এক্টিভিটিজশিং পুথোকহনবা অমদি অঙাংশিংগী মশাদা য়াওরিবা হৈ-শিংবা উৎথোকহন্নবগী তাঞ্জা অমসু পীবা চঙই। মসি ক্লবকী থৌ পুরিবশিংনা খনগদবনি। অফবা খুন্নাই অমা পুরক্লবা হোৎনবদা থৌদাং লৌমিন্নসি। অহল-লমনশিংগী পাউতাক নীংথিনা লৌবা তাই। অহল-লমনশিংনা হায়বা ৱাফমদা লৌশিনবদা কান্নরবা কয়া অমা য়াওরিবনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

মিনিষ্টর করাম শ্যামনা মখা তারদুনা হায়খি, হন্দক্তা থৌরম অমদা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সিগী এম পিনা ষ্টেটসিদা চিনিগী মতাংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু মীয়াম্না লান্না লৌবা য়াবা মওং ওই। লৈঙাক পায়মিন্নবদা য়াওরিবা অমনা অসিগুম্বা ৱাফম ফোঙদোকপসি তৌহন্নিংদে। লান্না লান্না শন্দোকপা চুমদে। চিনি অসি সবসিদি পীদ্রে। এফ সী আইগী রেটকা কৈথেলদা পীরিবা রেটকা মান্নবা ফীভমদা লৈরিবনি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুরগী ট্রেজরর রোবিন ব্লেকি, সোসল ৱার্কর আর কে সোমোরেন্দ্রোসু গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। ক্লব অদুগী প্রসিদেন্ট এ কুল্লানা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। ক্লব অদুনা কোনবা মফমশিংগী মহৈরোয়শিংগী মনুংদা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ব এগজামদা মার্ক ৱাংনা ফংলক্লবা মহৈরোয় কয়াদসু মনা য়েন্থোকখি।

## আর্টস সোসাইটি মণিপুরগী এন্যুএল জেনরেল সেসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস): আর্টস সোসাইটি মণিপুরগী ৪২ রকশুবা জেনরেল সেসন থা অসিগী ২৫ দা কোনুং লম্পাক্তা লৈবা গভর্ণমেন্ট দান্স কোলেজগী ওদিটোরিয়মদা আর্টস সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট জয়চন্দ্রনা চ্যের লৌদুনা পাঙথোকখ্রে হায়না সোসাইটি অসিগী সেক্রেটরি বিশমভোরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, সেসন অসিদা কুমজা ২০১৮-১৯ গী রিপোর্ট পুথোকখি। চহীগী ওইবা প্রোগ্রামসু য়েৎনবা লৈতনা পাস তৌখি। লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০১৯-২১ গী সোসাইটি অসিগী ওফিস বিয়াররশিংগী ইলেক্সনসু পাঙথোকখি। ইলেক্সন অদুদা এগজিকুটিভ কম্মিটিগী মেম্বর তরেৎ য়েৎনবা লৈতনা খনখি। প্রসিদেন্টতা য়ুম্নাম নবচন্দ্র, রিটয়ার্ড প্রিন্সিপাল ইম্ফাল আর্টস কোলেজ, সেক্রেটরিদা মংশাতাবম সমসন, লেকচরর ইম্ফাল আর্টস কোলেজ, ট্রেজররদা অথোকপম কুবের, ফাইন আর্ট টিচর কানন দেবী মেমোরিএল হায়র সেকেন্দরি স্কুলনি। সেসন অসিনা ওফিসল অমসুং প্রাইভেট রিজোল্যুসন অহুম পাস তৌখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## চীংমী-তম্মী হিংমিন্নসি হায়বসি থবক ওইনা পাঙথোরক্তুনা হৌজিক্তি উবা ফংলে : লোসি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস): চীংমী-তম্মী পুন্না হিংমিন্নসি হায়বসি থবক ওইনা পাঙথোক্তুনা উবা ফংলে হায়না মাও য়ুনিয়ন ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট পি লোসিনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাংখৈ অঙোম লৈকায়দা লৈবা ৱাল য়ুনাইটেদ য়ুথ ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্লা হায়খি, তোঙান তোঙানবা মফমদা হোংহোংদুনা ফম্বা মাও মার্কেট হয়েংদগী ৱাংখৈ অঙোম লৈকায়দা লৈবা ৱাল য়ুনাইটেদ ক্লবতা অয়ুক পুং ৪ দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা ফমগনি। ক্লব অসিনা হরাও-হরাও মফম অসিদা ফমহনবগীদমক তৌবীমল খঙবা উৎলি। মাওদগী তম্পাক্তা করিগী কৈথেল ফম্বা লাকপনো হায়বসি খঙমিন্নবা তাই। সাউদর্ন অঙ্গামিশিংনা চঙহনখিদবা অদু য়াম্না নুংঙাইতে। চীংদগী পোৎচৈ পুরক্লগা ইম্ফালদা য়োল্লগা ইম্ফালদগী ফিরোল, চান-থক্লবা অতৈ পোৎলম লৈরগা হনবা অসিনা চীংমী-তম্মীগী অশেংবা মশক অদু উবা ফংহল্লে। চীংমী-তম্মী হিংমিন্নসি হায়বদু থবক ওইনা উৎলকপা অসি নুংঙাই। চীফ মিনিষ্টরনসু পর্মিনেন্ট মার্কেট অমা শাবীগনি হায়বদু অথুবদা শারবদি হেন্না নুংঙাইগনি। পোৎচৈ পুদুনা লাকপদা পুলিসনা চৎথোক-চৎশিন্দা অপনবা পীবীগনু হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

ৱাল য়ুনাইটেদ ক্লবকী প্রসিদেন্ট এন বাবুনা ফোঙদোকখিবদা, মাও ইম্ফাল মার্কেট কোওর্দিনেসন কম্মিটিনা হায়রকপদগী ক্লব অসিদা হয়েং মাও কৈথেল ফমগদৌরি। মসিদা মীয়াম্না শরুক য়াবীয়ু। চীংমী-তম্মী ইচিল-ইনাওনি হায়বগী সোলিদরিটি উৎফম থোকই হায়দুনা সপোর্ট তৌবনি। চীং-তমগী মরী অমত্তা ওইরসনু হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

## ৱর্ল্ড ইন্দিজিনস পিপলস দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস): মণিপুর ফ্রেন্দশিপ ওর্গনাইজেসন (মফ্রো) না শীন্দুনা ঙসি ষ্টেন্দর্দ কোলেজ, কোংবদা ৱর্ল্ড ইন্দিজিনস পিপলস দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কোসেমগী সেক্রেটরি সী ঐচ বিরেন, কঞ্জার্ভেটর ওফ ফোরেষ্ট জয়কুমার, ষ্টেন্দর্দ কোলেজগী প্রিন্সিপাল ময়াংলম্বম কুমার, কবুই মাদর এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট অতোংপি কামৈ, মণিপুর ফ্রেন্দশিপ ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট মহম্মদ অসান, কুকি ৱিমেন য়ুনিয়নগী এদভাইজর রোজ মাংসি হাওকিপ, ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস গার্জিয়ান ওর্গনাইজেসনগী সেক্রেটরি সুমতিসু প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা মফ্রোগী সেক্রেটরি জেনরেল জোন্সন মঙাংনা হায়খি, য়ুনাইটেদ নেসন্স জেনরেল এসেম্ব্লীনা কুমজা ১৯৯৪ দা ইন্টরনেসনল দে ওফ ৱর্ল্ড ইন্দিজিনস পিপলস লাউথোকখিবনি। মীওই মিলিয়ন ৩৭০ ইন্দিজিনস পিপলস ওইনা মালেমদা লৈরি। ইন্দিজিনস পিপলশিংগী ফন্দামেন্টেল রাইট ফংহনবা তঙাইফদে। কুমজা ২০১১ গী মীকোক থিবদা মণিপুরগী মীশিং অসি ২৭,২১,৭৫৬ নি। মসিদা মীতৈনা ৮৫৮৭৮৭, মীতোপনা ৮১১৮৫৩, চীংমীনা ৭৭৭৭৪৭, মীতৈ-পাঙলনা ২৭৩৭৬৯ ওইরি। ইন্দিজিনস পিপলস নত্তবশিংনা য়ৈখাইবা পীরক্লিবা কয়া খঙবা চঙই। ম্যান্মারদগী চঙশিল্লক্লিবা কয়া অমসুনি। আই এল পি চৎনহন্নবা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাক্লি। জোইন্ট কম্মিটি ওন আই এল পি শেমদুনা খোঙজং কন্না চঙশিল্লকখি।

কুমজা ১৯৫০ দা মতমদুগী চীফ কম্মিস্নর হিমট সিংহনা মণিপুরদা চৎনরম্বা পর্মিট লৌথোকখিবনি। ত্রিপুরাদা ত্রিপুরীশিং মাইনোরিটি তারকপগুম মণিপুরদসু তারক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা সী ঐচ বিরেননা হায়খি, য়েলহৌমীশিং কন্নবগীদমক য়াম্না মতাং চারবা তাঞ্জা অমা লাক্লে। মণিপুরগী মফম শিনবা থুংনা লৈরিবা য়েলহৌমীশিং অমত্তা ওইনা পুনশিল্লক্কবগী প্লেটফোর্ম অমা শোয়দনা ওইগনি হায়বগী থাজবা ঙসিগী নুমীৎ অসিনা লৈহৌরগনি। মফ্রোগী ইচিল-ইনাওশিংনা মতম চানা থৌরম শিন্দুনা লাক্লি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা জে সী আই এল পি এসকী কো-কনভিনর জিতেন্দ্র নিঙোম্বনা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা কোংবা কৈথেল মনাক্তগী ষ্টেন্দর্দ কোলেজ ফাওবা রেল্লি লাক্লবা মতুংদা উ-চারাসু থাখি।

## সী বি আইদা শিন্নগদবনি : জে এ সী

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস): চুঙমলিয়ু রিয়াংমৈগী মীশিগী মতাংদা থিজিনবগী থবক সী বি আইদা শিন্নগদবনি হায়না জোইন্ট এক্সন কম্মিটি এগেনষ্ট মাষ্টরিয়স দেথ ওফ চুঙমলিয়ু রিয়াংমৈগী ৱাঙাংলোয় জাংদুই পামৈনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্লা হায়খি, চুঙমলিয়ু মশা মতোমতা শিজবা নত্তে মহাক্কী নুপানা হাৎপনি। নুমীৎতুদা মখোয় য়াম্না খৎনরগা চৎখিবনি। থা ১ গী মনুংদা চার্জশীট থাগৎকদবনি। সী বি আইদা কেস অসি শিন্নগদবনি। অচুম্বা পুথোক্লবা খোঙজং চঙশিনবদা মোব বোমনা পানবদগী শিজ হোস্পিটালদা লায়কন্নদুনা অশোকপা ১২ লৈরি। টিয়ার গ্যাস কাপখিবা পুলিসশিং এক্সন লৌগদবনি। এক্সন লৌখৎত্রবদি সিভিল ওর্গনাইজেসনশিংগা খুৎশম্নদুনা খোঙজং কয়া চঙশিল্লগনি হায়খি।

## ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টনা মণিপুর শোকহল্লোই হায়না ৱারেপ লৌগদবনি : এল্লাইএন্স

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস): এন এস সী এন-আই এম অমসুং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা কুমজা ২০১৩ দা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট সাইন তৌনখিবা অসিদা মণিপুরগী লম শোকহল্লোই হায়না এসেম্ব্লীদা ৱারেপ লৌগদবনি হায়না মণিপুর পিপলস দেম্মক্রেটিক এল্লাইএন্সনা ফোঙদোরক্লি।

এম পি পিগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা মণিপুর পিপলস দেম্মক্রেটিক এল্লাইএন্সকী চ্যেরমেন ওইনাম জুগিন্দ্রোনা হায়খি, নাগালেন্দগী গভর্ণর ওইনা লাক্লবা আর এন রবি অমসুং মুইভাগা ৱারী শানবদা করি প্রোগ্রেস লৈরবগে, নাগাগী ফিরালগী মতাংদা হৌজিক চাউনা পুথোরক্লি। মসি থেংননবা পোলিটিকেল পার্টিশিং, এম পি পি, দি বি এস পি, টি এম সী, আর এস পি, আর জে এস পি, এন সী পি, বি এস পিগী অপূনবা এল্লাইএন্স শেমদুনা ঙরাং সী এমদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে। এন এস সী এন-আই এম পেলহন্নবা মণিপুরগী ঙমখৈ অমসুং য়ুমথংনরিবা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা শোকহনবা য়ারোই হায়না এল্লাইএন্স অসি শেমখিবনি। গ্রেটর নাগালেন্দ শেন্বদা মণিপুরদসু এক্সটেন্দ তৌবা য়ারোই। এল্লাইএন্স অসিনা চপ চানা থেংনগনি। মণিপুরগী ঙমখৈ শোক্তনা পিছ টোক চথুবদা অথিংবা লৈতে। অদুবু বি জে পি লৈঙাক অসিনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদগী লদাখ খায়দোকপা হায়বসি মীয়ামদা মীপায়বা লৈরি। নুমীৎ নীনি চথুগদবা এসেম্ব্লী সেসন মীফমদা ৱারেপ লৌফম থোকই হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

টি এম সী ষ্টেট য়ুনিটকী কনভিনর ডা. টি ঐচ ইনাওচানা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক মীতৈ মাইনোরিটি তারবনি। থঙ্গাল কৈথেল, পাউনা কৈথেলদা মীপোতনা খুল্লিংবা ওইরি। এস টি লিষ্টতা য়াওহন্দুনা কনবা চঙই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা আর এস পিগী সেক্রেটরি এন রতননা হায়খি, আই এমগী ফিরাল দিমান্দ তৌজরবসু মণিপুর লমদমসিগী ওইনদি চহী লিশিং ২ হেনবদগী লৈজরক্লবা ফিরাল শীজিন্নসি হায়না ফোঙদোকখি। দি বি এস পি/এম এস সীগী প্রসিদেন্ট চবুংবম প্রেমচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরদা ঈং-তপ্পা ওইরে হায়না লৈঙাক্লা হায়জরবসু মাও লম্বীদা শেল থৎপগী থবক লেপত্রি। পুলিসনা য়েংদুনা লৈরি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## 'লোক্তাক্তা দিভলপমেন্ট পায়খৎপা য়ারোই হায়বসি থাগৎনিংঙাইনি'

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস): হায় কোর্টনা থোকখিবা ওর্দরগী মতুংইন্না লোক্তাক পাৎ অমদি মসিগী অকোয়বদা দিভলপমেন্ট অমসুং প্রোজেক্ট অমত্তা পায়খৎপা য়ারোই হায়বসি থাগৎনিংঙাইনি হায়না ওল লোক্তাক লেক এরিয়া ফিশরমেন য়ুনিয়ন মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইনাম রাজেননা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা রাজেননা হায়খি, হায় কোর্টনা থোকখিবা ওর্দর অসিনা ৱেটলেন্দ কন্নবগী অহানবা খোঙথাং ওইরে। নোর্থ ইষ্টকী অমত্তা ঙাইরবা লোক্তাক লেক অসি সেন্টরগী চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিংনা মাঙহনগদবদগী কনবা ঙল্লে। লোক্তাক লেক প্রোটেক্সন এক্ট অসিনা লোক্তাক কন্নবগী পাম্বৈ ওইরে। এল দি এনা শেংখিবা ফুমদি অদুদি শেংগদবা ফুমদি নত্তে। ফুমদি হায়বসিদা ঈশিংদা পুমহনবা মখলগী ফুমদিশিং শেংগদবনি। লোক্তাক্তা শেল য়াম্না থাদরবসু থুম থাদবগা মান্নরে। লোক্তাক্তা দিভলপমেন্ট অমত্তা লৈত্রি। খাংপোকশঙ ৭৭৭ গী মনুংদা ৫১৯ না লাইভলিহুদ পেকেজ পীখ্রে হায়রিবসি ইমুং অমদা হঞ্জিন হঞ্জিন পীবা য়াওখ্রে। খাংপোকশঙ ২৫৮ না ফংদনা লৈরি। হায় কোর্টকী ওর্দর অসিনা লোক্তাক কনবা ঙল্লগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

## ঈপাককী নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস): ইন্দিজিনস পিপলস এসোসিএসন ওফ কংলৈপাক (ঈপাক) কী ২০১৯-২২ সেসনগী ওইনা নৌনা থৌ পুগদবা মীওইশিং খনখ্রে হায়না ইপাককী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট, এদভাইজর সাপমচা জদুমনিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লমদমসিদা মীতোপ কয়া লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লকপনা মরম ওইরগা য়েলহৌমীশিং মুৎথ্রগদ্রা হায়বগী মিপাইবা কোক্লবগীদমক কুমজা ২০০৫ দা ফেদরেসন ওফ রিজনেল ইন্দিজিনস সোসাইটি (ফ্রেন্দস) লিংখৎখি। আই এল পিগী মুভমেন্টতা মাঙজিল থাদুনা শরুক য়ারকখিবা ফ্রেন্দস অসি কুমজা ২০১৫ দগী ইন্দিজিনস পিপলস ওফ কংলৈপাক (ইপাক) হায়না মিং ওনদুনা ঙসি ফাওবা য়েলহৌমী কন্নবগীদমক চঙশিন্দুনা লাক্লিবনি।

এসোসিএসন অসিগী নৌনা থৌ পুনবগীদমক খল্লবশিংদি প্রসিদেন্টতা কে এস ঐচ সোমোরেন্দ্রো, ভাইস প্রসিদেন্টতা থাংজম জেসিকান্তা, সেক্রেটরি জেনরেলদা লৈশাংথেম রোমেন মৈতৈ, ফাইনান্স সেক্রেটরিদা উশম সুরেস মঙাঙ, পব্লিসিটি সেক্রেটরিদা আর কে প্রিতম, ঐচ আর দি সেক্রেটরিদা নোংমাইথেম অর্পান, এসিষ্টেন্ট ফাইনান্স সেক্রেটরিদা ইরেংবম সিতলজিৎ, এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরিদা খাইদেম জোনসন, এগজিকুটিভ মেম্বরশিংদা আর কে অনন্দ, সলাম রোমেন অমসুং অঙোম মোমোচানি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, ইরৈপাক ইরমদমসিদা নোংমা কাংদনা চঙশিল্লক্লিবা কংলৈপাক্কী অপূনবা মীশিংগী শরুক অহুম থোকপগী শরুক অমা য়ৌশিল্লক্লে। ইরমদম অসিনা মনীং মখা তন্লিঙৈ ১৮৯১ দগী হৌনা কংলৈপাক্তা ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টেম (আই এল পি এস) চৎনদুনা লাকখি। কুমজা ১৯৪৮ দা ব্রিটিস ইন্দিয়াগী মখা তারকপা মতমদা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা কংলৈপাক্তা মখা তানা আই এল পি এস চৎনহন্নবা অয়াবা পীখি। অদুবু ইন্দিয়াদা পূল্লবা মতুং ১৯৫০ দা মতমদুগী চীফ কম্মিস্নর, মিষ্টর হিম্মৎ সিংহনা পর্মিট সিষ্টেম অদু লৌথোকখি হায়রি।

## হাৎনবা হোৎনরম্বা মীশক চৈরাক পীগদবনি : মৈরা পায়বী, ক্লব

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস): হৈরাঙ্গোইথোং নাওরিয়া পাখংলাকপা লৈকায়দা লৈবা লাইময়ুম জিতেনবু ঙরাং নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎনবা হোৎনরম্বা মীওই অনী চৈরাক পীগদবনি হায়না চাউখৎ থৌরাং লূপ হৈরাঙ্গোইথোং অমসুং য়ং দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী মীহুৎশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা চাউখৎ থৌরাং লূপকী সেক্রেটরি পুর্ণিমাসি লৈমনা হায়খি, ঙরাং মীওই অনী অদুনা নোংমৈ পুরক্লগা জিতেনবু য়ুমদগী মপান্দা পুথোক্লগা নোংমৈনা কাপ্লবা হোৎনখি। নোংমৈ মরু চপখিবদগী শিহৌদ্রে। মসি জিতেনগীদি লাইবক ফবা অমা ওইহৌরে। ঙরাং মীওই অনী ময়াম চঙদুনা ফানবা হোৎনরিঙৈদা পুলিস লাক্লগা পুখিবনি। নোংমৈ পায়দুনা মী হাৎকনি হায়দুনা লাক্লিবসি চৈরাক পীগদবনি। নোংমৈ অদুসু লাইসেন্স নোংমৈনি হায়। লাইসেন্স নোংমৈ পায়রগা মী হাৎনবা হোৎনবা চুমদবা থৌওংনি। অসিগুম্বা মীওইদা লাইসেন্স নোংমৈ পীরিবসি কক্কদবনি। হৌজিক পুলিসনা ফারে। অদুবু অচুম্বা তৌহন্নিংই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

লাইময়ুম জিতেননা ফোঙদোকখিবদা, কোক্তা নোংমৈ নম্লগা কাপ্পবা হোৎনবদা মরু চপখিবনি। লৈকায়না ফানবা হোৎনরিঙৈদা মীওই অনীদু পুলিসনা পুরগা চৎখ্রে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখ।

## চাঙমলিয়ু রিয়াংমৈ মীশিগী অচুম-অরান পুথোকপনা হেন্না ফবা ওইগনি : য়ু পি এফ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা নোংমা কাংদনা থোক্লিবা তমথিরবা মীশি কয়াশিং অসিগী মরক্তা থা অসিগী ১৭ কী নুমীদাংদা মোইরাং পন্সাং লৈকায়দা থোকখিবা নুংঙাইতবা থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা চাঙমলিয়ু রিয়াংমৈগী মীশি অদুবু য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্টস (য়ু পি এফ) মণিপুরনা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৰাবদসু শরুক য়াজরি হায়না য়ু পি এফকী সেক্রেটরি পব্লিসিটি অশোং কোইরেংনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মীশি অসিগা মরী লৈননা মীয়াম অমদি জে এ সীনা চঙশিল্লিবা দেম্মক্রেটিক ওইবা রেল্লি চৎপদা মণিপুর পুলিসকী মায়কৈদগী কা হেনবা থৌওং অমদি মীচম মীয়ামদা টিয়ার গ্যাস অমদি রবর বুলেটনচিংবা কাপশিন্দুনা মীওই কয়াবু শাথিনা শোকহনখিবা থৌওং অসিদি য়ু পি এফ মণিপুরনা কন্দেম তৌই। মণিপুর পুলিসকী কা হেনবা থৌওং কয়া চথুরক্লিবা পুলিস পর্সনেলশিং অসিদা মরী লৈনবা পুলিস দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা এক্সন লৌগদবনি। মণিপুর গভর্ণমেন্টনা অসিগুম্বা কা হেনবা পুলিসকী এক্সনশিং অসি থোকহন্দনবা মীৎয়েং চঙদুনা মখা তানা অসিগুম্বা কা হেনবা থবকশিং অসি থোকহন্দনবা হোৎনগদবনি।

মণিপুরদা ঙসিদি নোংমা কাংদনা নুপী কয়া, নহারোল কয়া অমদি মহৈরোয় কয়া মথোং মরম খঙদনা শিজিল্লক্লিবা য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোকশিং অসিদা গভর্ণমেন্টনা মতিক চাবা মীয়াম্না পাম্বা, লোগী ফংফম থোকপা ৱায়েল পীবা ঙমদবা, মীচঙ শঙ্গগী মওংদা লাকখিবা অমদি মীওইবগী হিংনবগী ফংফম থোকপা কয়া মাঙশিল্লক্লিবা অসিসু য়াম্না লাইবক থীবা অমনি হায়নসু য়ু পি এফকী সেক্রেটরি পব্লিসিটি অশোং কোইরেংনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি হায়রি।

## এফ ই দল্লিয়ুগী ব্রাঞ্চ ২ হাঙদোকখ্রে, অৰাবা ফোঙদোকখ্রে

জিরিবাম, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস): ফ্রেন্দলি ইনভাইরনমেন্টেল ৱারিয়র্স (এফ ই দল্লিয়ু) জিরিবামনা শিন্দুনা জিরিবামগী মনুং চন্না লৈরিবা বোরোবেকারা অমদি জাকুরাধোরগী মফমশিংদা জিরিবামগী দি সী য়াওনা উ-চারা কয়া থাখ্রে অমদি এফ ই দল্লিয়ুগী ব্রাঞ্চ ২ অমসু হাঙদোকখ্রে।

থৌরম হৌদ্রিঙৈ মমাংদা ইন্দিয়াগী হান্নগী ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইরম্বা অরুন জেটলিনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদববু জিরিবাম দি সী য়াওনা এফ ই দল্লিয়ুগী মেম্বরশিংনা মিনিৎ ১ লেপ্তুনা অৰাবা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ময়াংলম্বম রাজকুমার আই এ এস দি সী জিরিবাম কে শরৎকুমার, ভাইস চ্যের্মেন ফুদ এন্দ ইন্দষ্ট্রিস কো-ওপরেসন্স লিমিতেদ এল বোবি শর্ম্মা, এ সী সী জিরিবাম ঐচ বশুলাল, এম পি এস এদিস্নেল এস পি জিরিবাম অমদি সীঐচ ইবোমচা, দি এফ ও জিরিবাম অমদি এফ ই দল্লিয়ুগা লোয়ননা এফ ই দল্লিয়ু ৱুমেন ৱিং য়াওনা এফ ই দল্লিয়ুগী মীওই ৩০না শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগী মখা চথুরকপা ওইনা জাকুরাধোরগী পরিতোশ দাসনা প্রসিদেন্ট ওইবা জাকুরাধোরগী এফ ই দল্লিয়ু ব্রাঞ্চ অমা হাংদোকখি। এফ ই দল্লিয়ু ব্রাঞ্চতুগী এদভাইজর এম রোমিও হাপখি। মতুংদা দি সী জিরিবাম এফ ই দল্লিয়ুগী মেম্বরশিং য়াওনা মীয়াম্না উ-চারা কয়া থাখি। ঙসিগী থৌরম অসিগা মরী লৈননা দি সী জিরিবাম ময়াংলম্বম রাজকুমার আই এ এসনা ফোঙদেকখিবদা, ঙসি এফ ই দল্লিয়ুনা পায়খৎলক্লিবা মীসন অসিদা মীয়াম্নসু মতেং পাঙবিয়ু। জিরিবামবু অশংবা দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইনবা হোৎনবদা এদমিনিষ্ট্রেসনগী সাইদতগীসু পাঙবা য়াবা মতেং পাঙগনি হায়খি। মখা তানা ফোঙদোকখিবদা এফ ই দল্লিয়ুনা মখা তানা পায়খৎলকপা থবক-থৌরম খুদিংদা মাই পাকপা ওইরসনু হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

মতুংদা বোরোবেকারা বজারদা পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অমদা এফ ই দল্লিয়ুগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট এল ফান্তোমাসনা বোরোবেকারাগী এফ ই দল্লিয়ুগী পি জিতেননা প্রসিদেন্ট ওইবা ব্রাঞ্চ অমা হাঙদোক্কনি হায়খি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা কে শরৎকুমার ভাইস চ্যের্মেন ফুদ এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ কো-ওপরেসন্স লিমিটেদনা হায়খিবদা, চিফ মিনিষ্টরনা চংশিল্লিবা গ্রিন মিসন অসিগা মরী লৈননা জিরিবামদা লৈরিবা এফ ই দল্লিয়ুনা থাংজিল্লিবা জিরি গ্রিন মিসন অসিবু মপুং ফাহন্দুনা ঐখোয় পুন্না উ-ৱা কয়া থাদুনা হেন্না ফবা লমদম অমা ওইহল্লসি হায়খি।

মতুংদা মীয়াম্না বোরোবেকারা বজারগী অকোইবদা উ-চারা কয়া থাখি। জিরিবাম দি এফ ওগী মাইকৈদগী উ-চারা ২০০০সু থানবা পিরকখি হায়রি।

উ-চারা থাবগী থৌরম অদুদা জিরিবামগী অকোয়বদা লৈবা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী মীওই কয়াসু শরুক য়াখি। উ-চারা থাবগী মরুওইবা ৱাফম কয়াসু থমখি হায়রি।